# কংগ্রেস দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা সুনিল জাখর, কেভি থোমাসতা ছো কোস নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে






ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
কংগ্রেস দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ন্যু দিল্লিদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কেভি থোমাস অমসুং সুনিল জাখরগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকপা কমপ্লেন্টশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পার্টিগী মীওই অনীমক্তা ছো কোজ নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে।

পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি তরিফ অনৱারনা হায়খি, মদুদি প্রোসিজর মতুং ইন্না ছো কোজ নোটিস ইস্যু তৌখ্রে। পাউখুম পীরক্নবা মখোয়দা চয়োল অনীগী মতম পীখ্রে। মদুগী মতুংদা দিসিপ্লিনরি কম্মিটিগী মীফম অমুক হন্না পাঙথোক্লগনি।

সুনিল জাখর পঞ্জাব কংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্টনি অমসুং থোমাসনা কেরলা কংগ্রেসকী লুচিংবা অমনি অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুনি। মখোয় অনীমক পার্টিগী লিদরশিপনা চানবা মীওইশিং ওইরকখি।

সুনিল জাখরনা পঞ্জাবকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর চরঞ্জিৎ সিংহ চানিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া পন্দুনা ঙাঙখি। থোমাসনা সিপিআই (এম) গী মীফমদা শরুক য়াখি।

কেস অনীমক একে এন্টোনিনা লুচিংবা পার্টিগী দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা থিজিল্লি হায়না ছোর্সশিংনা ফোঙদোরকখি। রাজ্য সভাগী সিট পীদবদগী থোমাসনা পার্টিদা অশাউবা উত্তুনা লাকখি।

অমরোমদা, সুনিল জাখরনা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টরগী ফমগী মতাংদা মহাকপু পার্টিনা খন্নবীদবদগী পার্টি অসিগী মায়োক্তা ওইবা চৈ থাংবগী ৱাফম কয়া তোইনা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

জাখরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম খরনা পার্টিগী দলিট লুচিংবা খরবু শাউহনখি। পার্টিগী লুচিংবা খরনা মহাকপু পার্টিদগী তান্থোক্লবা দিমান্দ তৌরকখি। চানিবু অনেম্বা কাষ্টকী মীওইনি হায়বা কাষ্টতা য়ুম্ফম ওইবা ৱাফম অসিগীদমক্তা পঞ্জাব কংগ্রেসকী লুচিংবা সুনিল জাখর পার্টি অসিদগী তান্থোক্কদবনি হায়না পার্টিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা উদিট রাজনা দিমান্দ তৌখি।

সিপিআই (এম) গী ২৩ শুবা পার্টিগী কংগ্রেসকী শরুক অমা ওইনা সেন্টর-ষ্টেট মরিগী মতাংদা পাঙথোকপা সেমিনর অমদা শরুক য়াখিবগীদমক্তা কেরলা কংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা থোমাসপু খুদক্তা মফম লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবনি।

সিপিআই (এম) না মসিগী ২৩ শুবা পার্টি কংগ্রেসকী শরুক অমা ওইনা ডা. সচি থারুর অমসুং প্রোফেসর কেভি থোমাসপু সেমিনার অদুদা শরুক য়াননবা ইনভাইট তৌখিবনি।

কে সুধাকরননা খুদক্তা লুচিংবা অনীমক্তা সেমিনর অদুদা শরুক য়াদনবা হায়খি। পার্টিগী প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা ফাওবা হিরম অসিদা মীৎয়েং চঙদুনা লুচিংবা অনীমক্তা সিপিআই (এম) গী সেমিনার অদুদা শরুক য়াদনবা খঙহনখি।

সচি থারুরদি সেমিনার য়াওবগী ফিরেপ হন্দোকখি। তৌইগুম্বসুং কেভি থোমাসনা পার্টি লিদরশিংগী ৱা থৌশাদনা সেমিনার অদুদা য়াওনবা ৱারেপ লৌখিবনি।

# মহাগটবন্দনদা অমুক হন্না চঙলক্লবা টেজ প্রতাপ যাদবনা নিতিস কুমারবু ইনভাইট তৌখ্রে



পাটনা, এপ্রিল ১১ (এজেন্সী):
আরজেদিগী চীফ লালু প্রসাদ যাদবকী মচানুপা অহল টেজ প্রতাপ যাদবনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারবু অমুক হন্না মহাগটবন্দনদা চঙলক্লবা ইনভাইট তৌখ্রে।

টেজ প্রতাপনা ট্যুটর পোষ্টতা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ফ্রেমগী নাকল অমদা মহাক্কী পিকচর উৎখি অমসুং অতোপ্পা নাকল অমদনা নিতিস কুমারগী শক্তম উৎতুনা মহাকপু মহাগটবন্দনদা চঙলক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ উৎখি।

কাষ্টতা য়ুম্ফম ওইবা সেন্সস, বিহারগী এনদিএগী লিদরশিপ, য়ু থিংবা, লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম য়াওনা ইস্যু কয়াগী মতাংদা বিজেপি অমসুং জেদি (য়ু) গী মরক্তা কন্না য়েৎনরিঙৈদা টেজ প্রতাপনা নিতিস কুমারবু গ্রান্ট এল্লায়েন্স অসিদা য়াওরক্লবা ইনভাইট তৌখিবনি।

হন্দক্তা বিজেপিগী লুচিংবা অমসুং মিনিষ্টর জনক রামনা বিজেপি অসি বিহার এসেমব্লি সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টিনি হায়না ক্লেম তৌখিবনি।

বিহার এসেমব্লিদা পার্টি অসিগী সিট ৭৭ লৈ অমসুং জেদি (য়ু) গীনা সিট ৪৫ লৈ। সিট মশিংশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর বিজেপিগী ক্বাটাদগী লাক্কদবনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা মোস্কশিংদা লাইশোল পাঙথোকপগা মরী লৈননা লাউদ স্পিকরশিং শীজিন্নবদসু অথিংবা থম্বগী ৱাফম হৌদোকখি।

চহী কয়াগী মমাঙদা মহাক্লা রাব্রি দেবীগী য়ুমগী মপানদা নিতিস চাচা চঙবা য়াদে হায়না ইখিবা প্লে কার্দ অমগা লোয়ননা লেপখিবা অমবু নীংশিংদুনা নেটিজেন্ট কয়ানা ইনৌবা পিকচর অদুগা মরী লৈননা টেজ প্রতাপ্প করেম্নখি। মীওই কয়ানা মহাকপু হান্নগী ফিরেপতগী হোংই হায়না মরাল শীখি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ দা নিতিস কুমারনা লুচিংবা জেদি (য়ু) না আরজেদি অমসুং কংগ্রেস পার্টিদা মীচং চঙশিন্নদুনা এসেমব্লি মীখল কন্টেষ্ট তৌখি অমসুং গভর্নমেন্ট শেম্বা ঙমখিবনি।

মীখল অদুদা জেদি (য়ু) না সিট ৬৯ দমক ফঙবা ঙমখি অমসুং আরজেদিনা সিট ৮০ ফঙখি। সিট মশিং য়াম্না ফঙলবসু লালু প্রসাদ যাদবনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম নিতিস কুমারদা পীথোকখি।

থা ১৫ লৈঙাক পায়রক্লবা মতুংদা নিতিস কুমারনা মহাগটবন্দন থাদোক্লগা এনদিএ য়াওদুনা বিহারদা গভর্নমেন্ট শেমখি।

মতমদুদা ষ্টেট এসেমব্লিদা বিজেপিগী সিট মশিং ৫৪ দমক লৈখিবনি। মহাগটবন্দনদগী জেদি (য়ু) না তোকখ্রবা মতুংদা আরজেদিনা বিহারগী মীয়াম্না নিতিস কুমারদা আরজেদি অমসুং কংগ্রেসকা খুৎশম্নরগা গভর্নমেন্ট শেম্নবা মেন্দেট পীখিবনি, তৌইগুম্বসুং বিজেপিগা পুল্লগা শেম্নবা পীখিবা মেন্দেট নত্তে হায়না মতম চুপ্পদা ক্লেম তৌখি।

মদু ওইদুনসু নিতিস কুমারনা বিজেপিগা খুৎশম্নখি অমসুং গভর্নমেন্ট শেমখি। আরজেদিনা মতাং অসিদা নিতিস কুমারবু মরাল শিরিবদি মহাক্লা বিহারগী মীয়ামগী মেন্দেট লান্না শীজিন্নদুনা বিজেপিগা পুল্লগা গভর্নমেন্ট শেম্মী হায়বসিনি। মদুনা মরম ওইদুনা টেজকুমারনা মহাগটবন্দনদা নিতিস কুমার চঙলকপা য়াদে হায়বা প্লে কার্দকা লোয়ননা লেপখিবনি হায়রি।

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 161/SDC/IW(H) of 2022**

1) Rajkumar Deepak Singh (0.125 acre)
2) Rajkumar Yambungchou (0.125 acre)
3) Dinesh Singh Rajkumar (0.125 acre)
4) Rajkumar Bobosana (0.125 acre)
all are S/o R.K. Ranjit Singh of Kwakeithel Thokchom Leikai

Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Soibam (N) Dr. Bino Devi , D/o Gumlamjat Singh of Singjamei Makha

O.P/বিবাদি

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 11th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল নং ০৩ নং-মৈত্রম অনৌবা পাট্টা ২৪২ নং হাল দাগ ২৫০ নং গী মোট এরিয়া ০.৫০ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার ডা: সোইবম বিনো দেবী মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচানুপাশিং / দংকারীশিংনা মশাগী মমিংদা পাট্টাদারগী লম মখৈ নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাস্ত থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮/০৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2230/12

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 160/SDC/IW(H) of 2022**

1) Chingtham Luckyson, S/o Late Ch. Rajen Singh, C/o Lourembam Ranjita Devi
2) Lourembam Ranjita Devi, W/o Chingtham Rajen Singh, (.10 acre for Applicant no. 1 & 2)
3) Chingtham Nabachandra Singh (0.04 acre), S/o Late Manao Singh of Hiyangthang Mayai Leikai

Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Chingtham Rajen Singh, S/o Late Manao Singh of Hiyangthang Mayai Leikai

O.P/বিবাদি

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 11th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল নং ১০৬ নং-হিয়াংথাং অনৌবা পাট্টা নং ১৩৬ নং হাল দাগ ১২৮৪ নং গী মোট এরিয়া ০.১৪ একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার চিংথাম রাজেন সিংহ মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচানুপা অমদি ময়াম্বা / দংকারীশিংনা মখোয়গী মমিংদা পাট্টাদারগী লম মখৈ নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাস্ত থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮/০৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2230/12

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: BISHNUPUR

**Ref. Mutation Case No. 60/SDC/Bishnupur, 2022**

1) Laishram Ranju Singh, S/o (L) Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 8
2) Laishram Imocha Singh, S/o (L) Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 8

–Petitioner

-Versus-

Laishram Ibemhal Devi, W/o (L) Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 8

- O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Bishnupur, the 11-04-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Laishram Ibemhal Devi, W/o (L) Rajen Singh of Bishnupur Ward No. 8 দা লৈবগী মিংদা পানবা খুল নং 37-Bishnupur পাট্টা নং 307 (অরিবা), 1361 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নং 4520 গী 0.04 চাওবা ইঙ্খোল অসি পাট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner গী মিংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই, কেস মখা চত্থগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

HL-P/2231/12

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG

**Ref. Mut. Case No. 159/SDC/IW(H) of 2022**

1) Chingtham Sanjit Singh, S/o Late Ch. Manglem Singh (0.127666 acre)
2) Chingtham Nabachandra Singh (0.06334 acre) S/o Late Manao Singh of Hiyangthang Mayai Leikai

Petitioners/দংকারী

-Vs-

Late Chingtham Ibocha Singh, S/o Late Ch. Chaoba Singh of Hiyangthang Mayai Leikai

O.P/বিবাদি

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 11th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি ই:ও: খুল নং ১০৬ নং-হিয়াংথাং অনৌবা পাট্টা ২২৯ নং হাল দাগ ১২৮৫ নং গী মোট এরিয়া ০.১৯ একর চাওবা ইংখোলগী পাট্টাদার চিংথাম ইবোচা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মশুনুপাশিং / দংকারীশিংনা মখোয়গী মমিংদা পাট্টাদারগী লম মখৈ নামজারী তৌবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাস্ত থারক্লে। পাট্টাগা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮/০৪/২০২২ ইং ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা আপতি তৌরবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাররোই। হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/2230/12

পুন্না হোৎনমিন্নদুনা পান্দম ফঙবা ঙম্লে
মীওই ক্রোর ১৮৫ ভেক্সিন কাপ্লে

Azadi Ka Amrit Mahotsav
भारत सरकार



মীপুম তিংনা ভেক্সিন কাপ্পা : পুন্নমক্কী ওইনা লেম্না

- মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা লেম্না ভেক্সিন কাপ্পগী দ্রাইভ
- আত্মানির্ভার ভেক্সিন- ইন্দিয়াদা শাবা ভেক্সিন ৩
- কো-ৱিন পোর্টেলগী খুত্থাংদা লায়না রেজিষ্ট্রেসন তৌই
- ফ্রন্টলাইন অমসুং হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংদা প্রাইওরিটি পী-হৌজিক ফাওবদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৬.৭৯ কাপখ্রে
- চহী গ্রুপ ১২ দগী ১৮ ফাওবগী অঙাংশিংদা দোজ ক্রোর ১১.৯৫ কাপ্লে
- লৈবাক শিন থুংনা অনৌবা ওক্সিজেন প্লান্ট ৪১৪৩ লিংখৎলে
- ইম্মর্জেন্সি রেস্পোন্স পেকেজগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট ৬৩১ দা পেদিয়াট্রিক্স ক্যের য়ুনিটশিং হাংলে
- ইন্দিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা আত্মানির্ভার ওইরক্লি- পিএম-এবিঐচআইএমগী মখাদা লুপা ক্রোর ৬৪১৮০ গী প্রোভিজন

“ইন্দিয়াগী ভেক্সিনেসন কেম্পেইন অসি ঐখোয়না উবা ফঙলিবা ‘সবকা সাথ, সবকা বিকাস, সবকা ভিস্বাস অমসুং সবকা প্রায়সকী খুদম চাংদমনি। মসিনা লৈবাক অসিগী পোটেন্সিএল অদু উৎলি। মসি পুক্নিংগী ফিরেপ কয়াবু থুংবা ঙম্নবা কন্না হোৎনরিবা অনৌবা ইন্দিয়াগী শক্তমনি।”

- নরেন্দ্র মোদি

davp 17102/13/0003/2223